ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ

ꯂꯩꯕꯥꯛꯄꯣꯛꯄꯥ, ꯃꯥꯔꯆ ꯰꯱, ꯲꯰꯲꯲, ꯏꯝꯐꯥꯜ

꯴꯵ ꯁꯨꯕꯥ ꯆꯍꯤ, ꯳꯳꯳ ꯁꯨꯕꯥ ꯃꯁꯤꯡ

হুইয়েন লানপাউ

লৈবাকপোকপা, মার্চ ০১, ২০২২, ইম্ফাল

৪৫শুবা চহী, ৩৩৩শুবা মশীং

# অদুম পীখি, লৌনখি

## উচিদা অদুম্মক হঞ্জিনখি

ইলেক্সনগী থৌবু ওইরিবা ইলেক্সন কম্মিসন ওফ ইন্দিয়া (ঈ সী আই) অমসুং চীফ ইলেক্টোরেল ওফিসর (সী ঈ ও), মণিপুরগী মায়কৈদগী 'মসল অমসুং মনি পৱার' দা 'জেরো তোলরেন্স' হায়খিবগী ৱানি। চিন্দা অমসুং চেদা হায়বনি, কেন্দিদেটশিংগী নক্লবা মীওই/সপোর্টরশিংনা মখোয় মখোয়গী মীরেপশিংদুদা ভোট থাদৌ হায়দুনা শেল পীখি, য়েনখি। ভোটরশিংনসু লৌখি। শেল পীদুনা ভোট লৈবগী থবক য়াম্না মোং হাদনা, ঈংনা চিক্লা চত্থনখি, পাঙথোকখি। এক্সপেন্দিচরগী য়াওনা পুলিস অমসুং স্পেসল ওবজার্ভরশিং মরোল নাইনা হাপখ্রিবা, মরী লৈনবা লো এনফোর্সিং এজেন্সীশিং মিৎ-না শিংহন্দুনা থমখ্রিবা অদুনা মীখলগী হৌনবা, তৌফম থোকপা ওইরমাল্লে। মখোয় পূম্নমক্না ভোটকীদমক শেল য়েনবা অমসুং লৌবগী থবক্তা মতু নাম্মা তেকহনবা ঙমখিদে। মহৌশাগী মহৌশা উচিদা অদুম্মক হঞ্জিনখি। ফ্রী এন্দ ফ্যের ইলেক্সন হায়বদু মথক-মখা পুল্লপ ওন্থোক্তুনা শীংকুপ-শানা য়ানখাইখি। থৌদোকসি ঙরাং পাঙথোকখিবা ১২শুবা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লি ইলেক্সনগী অহানবা ফেজগী মীখলদা থোকখিবনি। হায়বগা তৌবগা হান্নগী হান্না হামু-হামু ওইখি। মণিপুরদা কুমজা ১৯৯১দগী টোটেল প্রোহিবিসন এক্ট চৎনহন্দুনা দ্রাই ষ্টেট ওইহল্লকখ্রবসু হৌজিক ষ্টেটসিদা ওইরিবা য়ু শুংবা, থকপা, য়োনবা, মপান্দগী পুশিল্লকপা য়ুঙাং মখল কয়া ফংবগী ফীভমসিগা অদুম্মক চপ মান্নখি। মীখলসি ফ্রী এন্দ ফ্যের ওইহনসি হায়বা ৱাফমসি কনামত্তনা মনাদা হাপ্পখিদে, অরেম্বা তাখি। মশ্বাইসি য়ৌরল্লবনিনা লমদমসিগী মীয়াম করিনো অমদি খন্নহৌবা চুমগনি। ফীভমসি মমাঙগী মীখলদসু তৌখি, হন্দক্লা অহানববুদি নত্তে। অদুবু ওইরিবা ফীভমসিদা সুম মখা তানা চত্থরল্লগদি পোলোইদদি ফরক্কদবা মান্দ্রে। মান্দবা নত্তে অফবা ওইরক্লোইদৌরিবনি। লৈবাক মীয়ামগী মীহুৎ ওইজগে, মীয়ামগী থবক তৌজগে হায়বগীদমক ভোটর অমমমদা লুপা লিশীং ২, ৩, ৫ অমসুং ১০ য়ৌনা অমসুং হেন্না পীখৎলল্লগা ৱানোল্লকপা, হায়জরকপা নৎত্রগা ভোট লৈবগী থৌওং মখা শাংথনা চত্থনরকপসিদি লৈবাকসিদা চৎনরিবা পার্লিয়ামেন্টরি দেমোক্রেসিগী মঙক ককথৎপগী ফীভমদা লাক্কনি। মীয়ামগী চহী ৫গী মীহুৎ ওইদুনা মীয়ামগী থবক তৌজগে হায়বদবু লুপা ক্রোরনা খুজিং ওইরগা চাদিং তৌরক্লিবা অসিবু তশেংনমক লৈবাক মীয়াম্বু নুংশিবা, মখোয়গী থৌগল তৌনবগীদমক্তা ওইরমগদ্রা? মীহুৎ ওইননবা হোৎনবদা থাদখ্রিবা শেলয়ামসি হয়েং মীহুৎ ওইরগা হঞ্জিন্নবা হোৎনরক্লোইদ্রা?

ৱাহংসিগী পাউখুম ঙাইরগা মখা শাংথনা চত্থনরক্লিবা মীরেপ-মীহুৎ লৈবা-য়োনবগী ফজখিদ্রবা থবকসি অদুম্মক হিয়াং তান্নবদা য়া কাখৎতুনা য়েংবগুম য়েংদুনা লৈথোক্লগদ্রা? নৎত্রগা ইপা শিখিবদি নুংঙাইতবা তৌদে, লাইকোই চাকখিবদুদি পেনখ্রেদা হায়দুনা দেমোক্রেসিগী চৎন-কাঙলোন ময়ামসি পুল্লপ কিন্থরকপা ফাওবা য়েংদুনা লৈগদ্রা? মশ্বাইদা করি তৌবা য়াবগে? তৌফম থোকপা, তৌগদবা ময়াম লৈ হায়দুনা হৌদোংগী মঙক্তা কনানা শরিক শীগদগে হায়দুনা খন্নরগা ৱারেপ লৌবা ঙমদবদুগী ফীভমদা অদুম্মক লৈগদ্রা? পূম্নমকসিবু ঐখোয় মণিপুর খক্তগী ওইবা ৱাফম নত্তে, লৈবাক পূম্বগীনি, ময়াম্না মতমগী মতুংইন্না হোংনরল্লগা ঐখোয়সু য়াওগদবনি হায়দুনা লৈথোক্কদ্রা? অদুবু অহোংবা-অওনবা হায়বসিদি মচিন মৈ মুদুনা হৌদোরকপা হায়বদি অহৌবা মচিন অমা নাইদবা য়ারোই। মাঙজিল থারকপা অমা চঙই। মসি তৌরল্লগা মীয়াম্নসু মতুং ইন্নরক্কদবনি। মতমদুদা পাল্লিবা অহোংবা অওনবা হায়বদু চপ চানা ফংগদবনি। মরম অদুনা লৈবাকসিগী মফম পূম্নমক্তা মীখলদা ভোট লৈবা-য়োনবগী থবকশিং পাক শন্না চত্থনরল্লগসু ঐখোয়গী ষ্টেটসিদা মসিগী ওন্ন-তৈনবদা পার্লিয়ামেন্টরি দেমোক্রেসিগী অশেংবা মশক্তি লৈহনবা য়াদব্রা? য়ারগনা লৈহনবা ঙমগদ্রা? কনা কনানা লৈহনগনি, লৈহন্নবা হোৎনগনি? ৱাহংসিগী পাউখুম পন্থদনা থিবা হৌবগী তঙাইফদবা লৈরে হায়নীংই। মরমদি কুমজা ১৯৪৯গী ওক্টোবর ১৫দগী লৈবাকসিগী ফিবান্নুংদা তিন্দুনা অমত্তা ওইনা, মশাগী মশা ওইজরকখ্রবা ষ্টেটসিগী য়েলহৌমীশিং চহী লিশীং ২ হেনবগী পুৱারী লৈজরল্লবা ফুরুপ-কাঙলূপনি। মালেমগী মীওইবা খুন্নাইশিংগী মনুংদা তোপ তোপ্না মশেক মঙাল নাইনা হিংলকপা কাঙবুনি। খাঙুথক্তা লৈবাকসিগী শরুক ওইজরক্লে হায়দুনা শাগোন্নরকপা ফজখ্রবা চৎন-কাঙলোনশিং উৎতা ঘি হৈজিনবা চুমদে। লৈবাকসিগী ষ্টেট অমসুং য়ুনিয়ন টেরিটোরি পূম্নমক্কী মীয়ামদগী মোদেল ওইনা দেমোক্রেসিগী কাঙলোনশিং তরং তরংনা লৈহন্নবা হোৎনবা য়াইনা হায়বসিগী ৱাখল্লোন চেনবা মতম য়ৌরে হায়নীংই। চহী খুদিংগী ফংবসু নত্তবা, ফংদ্রগসু শিরোইদবা, অমাঙ-অতা মায়োল্লগদবসু নত্তবা লুপা লিশীং খরদা মনতিক্নদুনা ইশাগী দেমোক্রেটিক রাইটস মখা শাংথনা য়োন্থোকপা চুম্লোই। ঐখোয়গী মীয়ামগী মরক্তগী মাঙজিল থাবা, শেঞ্জাও পায়বা খরনা মীয়াম্বু মমল পীদুনা লৈবা ঙমহনবা, শান্ননীংবা মওংদা শান্নহনবগী থৌওং চত্থহনবা চুম্লোই খল্লি। মরম অসিনা ভোটর মীয়াম অরেম-অপা অমসুং ওইজ ওইথক থাদোল্লগা মীরেপ মীখলবু হেন্না মশক থোকহন্নবা হোৎনবা মতম য়ৌরে হায়নীংই।

### হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৩৭

১) অহানবা ওইনা কুমজা ১৯৬০দা ফোঙবা ***''অমাইবা''*** হায়বা লাইরিক অসিগী অইবা কনানো?

২) **''অমেরিকাগী ঈশৈ''** হায়বা লাইরিক অসিগী অইবা কনানো অমসুং করম্বা মখলগী লাইরিকনো?

৩) **''মণিপুরদা ঐগী চহী অহুম''** হায়বা লাইরিক অসি ওরিজিনেলদা কনানা ইবা লাইরিক্তগী কনানা মণিপুরীদা হন্দোকপনো?

৪) ***''ৱারী শীংবূল্লক্তগী''*** হায়বা অঙাংগী ওইবা লাইরিক অসিগী অইবা কনানো?

৫) ***''লৈকংলা''*** হায়বসিগী অইবসি কনানো অমদি করম্বা মখলগী লাইরিকনো?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম মার্চ ১৫, লৈবাকপোকপা নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল **hueiyenliteraryquiz@gmail.com** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

*হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৩৬কী অচুম্বা পাউখুম থাবীরকখিবশিংদি*

১) মাইস্নাম বুধ, চীংঙামখা মাইস্নাম লৈকায় - (১,৪,৫)

***২) থাংজম প্রেমকুমার, চরাংপাৎ মনীং লৈকায়, থৌবাল - (১,৩,৪,৫)***

৩) অনন্দকুমার খুঞ্জামযুম, তাওথোং অয়ুংবা ময়ায় লৈকায় - (১,৪,৫)

*হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ- ৩৬কী ৱিন্নর*

***থাংজম প্রেমকুমার, চরাংপাৎ মনীং লৈকায়, থৌবাল***

**লিটরেরি ক্যুইজ ৩৬গী শেলগী মনা অসি ৱিন্নর ওইরবা মীওই অসিগী বেঙ্ক একাউন্টতা ওইনা হাপচিঞ্জরগনি।**

# পুন্সিগা ভোটকা মন্তিক্নরকপা

**হেক্তা হায়নীংলকই - ৬৯৩**

**জিতেন নামৈরাকপম**

মীওইবগী পুন্সি অসি পংশাং শাংবজাৎ নত্তে। তেনখ্রবা পুন্সি মপোকনি হায়নবা অদু চুম্মী হায়বসি হন্দক্কী ১২শুবা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লি ইলেক্সন অসিদা খঙনীং নীংশিংহল্লি। ভোটকী মতাং অসিদা ইকুই কুইদ্রিঙৈদা হৈরোক্তা মহৈ তল্লিবা মহৈরোয় অমা নোংমৈনা কাপ্লগা হাৎতোকপীখ্রে। ৱাঙ্গৈই এ সীগী ওইনসু নুপা অনী নোংমৈনা কাপ্তুনা হাৎলম্বদগী লৈখিদ্রে। ঈরাংগী ৱাদি নেম্বগী ৱা লৈতে। ভোট থাদগদবা পুং ৪৮গী মমাঙদা ভোট খোম্বা, লাউবা খোঙবা য়ারম্মগসু ঈ সী আইগী য়াথং মতুংইন্না পুং ৪৮গী মতুংদদি ময়াম পূম্নমক তূমিন্না লৈনরসি, সাইলেন্স পেরিওদনি হায়না লাউথোকখি। হায়রিবা ভোটকী লাংবা খোৎপা য়াদ্রে হায়না লাউথোকখিবা মতমগী মনুংদনি ক্ষেত্রিগাও এ সীগী কেন্দিদেট অমা নোংমৈনা কাপ্লম্বদু। ওন্থোক্রা নুংশি হৈতবগী মতৌনি। ৱার্কর মশেল খূৎ থোক্লবদগী হেন্দোরক্তুনা মীখলগী মীরেপ মশাদা নোংমৈনা কাপশিন্দুনা লাইফ এটেম্পট তৌরমখি। অদুবু লাইবক ফবদগী হায়গদ্রা থবাক্তগী মরূ ফাওদোকখ্রে। থোইদোক্লা খুদোংথীনীংঙাই ওইদ্রে ঙাঙনরি। মশ্বাইদদি মীওইবগী পুন্সি অসি তেনখ্রবজাৎনি হায়বসি নীংশিংহল্লিবা। মীওইবগী পুন্সিবু খূৎশেমগী মীহাৎনসু তেনশিনহল্লি।

মীওইবগী পুন্সি অসি খঞ্জিল্লুবদা ওন্থোক্লা তেনবজাৎনি হায়বসি ৱর্ল্ড হেল্থ ওর্গনাইজেসনগী রিপোর্ট মতুংইন্নসু মীওইবগী লাইফ স্পান অসি এভরেজ ওইনা শুপ্নতগী চহী ৭২ খক্তনি হায়রি। শুপ্নতগী চহী ৭২ অসিগী মনুংদা ঐখোয় ভোট কয়ারক থাদবা য়াগদৌরি। ভোট থাদবা য়াবসি ইলেক্টোরেল রোলদা রেজিষ্টর তৌগদৌরিবা ভোটর অদুনা হেক পোকপগী তারিখতগী লৌরগা চহী ১৮ শুবদনি। চহী ১৮ শুদ্রিবা নুপা ওইরো নৎত্রগা নুপী ওইরো ভোটর লিষ্টতা চনবা য়াদে। ভোটরবু চনখ্রবা চহী ২৫ শুবদদি ভোট লেপ্পা য়ারে। কেন্দিদেট ওইনা চোংথোরকপসু য়ারবা চহীনি। অদুনদি চহী ৫/৫ খুদিংগী ভোট তৌবনিনা, ইলেক্সন পাঙথোকপনিনা মীওইবগী লাইফ স্পাননা চহী ৭২ ওইবা তারগদি ভোট তরারক্লুম্বা য়াল্লবদা তরামাথোই/নিথোইরক থাদরল্লগা পুন্সি অসি অদুম্মক লোইরে হায়না লৌবা য়ারে। কনাগুম্বা চহী ৮০/৯০/১০০ পুন্সিরকইসিদি মশিং য়াম্বা নত্তে। ঐনা খঙজবদা সাইন্স এন্দ টেক্নোলোজি চাওখৎলকপগী মতুংইন্না, অনা লায়েংবগী হীরমদসু খোঙজেল য়াঙনা চাওখৎলকপগী মতুংইন্না অফবা চিঞ্জাক চাবা এক্সর্সাইজনচিংবা তৌদুনা মশা মউ ফনা থম্বগী মতুংইন্না মীওইবগী পুন্সি অসি য়ামদ্রবদা চহী ৮০ ফাওবদি হিংনরব্রা খল্লি। অসুম অসুম খঞ্জিল্লুরগা পুন্সি অসি য়াম্না পাম্মুরকই। অদুনদি মী অমনা জেনরেল ইলেক্সন থাদরগে হায়না থাদরবদা ১২রক, ১৩রক্লুম্বা মঙাইরে। চহী য়ামদ য়ামশিনখ্রগনা ভোট থাদবা চৎপসু ঙল্লরোই। মীনা মহুৎ শিনখিবা তাবনি। প্রোক্সিদা ভোট থাদনবগী মরৈ য়েৎনবা, ঈরাং থোকপগী ৱা ফাওবা লৈরি। ঐ ইশামক্কী ওইনদি জেনরেল ইলেক্সন ৫৪/৬ কুম্বদি থাদরল্লগদ্রা। মরমদি পুন্সি তঙ্খাই চনশিনখ্রে। হাল্ফ সেঞ্চুরি য়ৈখ্রবনি। মতুংগী লাক্কদবা পুন্সিসু তম্বা ঙম্নবা নত্তে। চহী ৫/৫না শাবা জেনরেল ইলেক্সন অসি অসুক্কী মতিক মরু ওইবোইরে হায়বসি ঙরাংতা লোইশিনখিবা ১২শুবা জেনরেল ইলেক্সন অসিনা তাক্লি। ঙরাং থাদখিবা ফর্ষ্ট ফেজগী চহী ৫গী ভোটনা ঐখোয়গী তুংগী লাইবক লেপকদৌরিবনি। অদুননি ঐখোয় অফবা, লৈবাক্কীদমক খনবা, মীয়ামগীদমক খনবা মতিক চাবা কেন্দিদেট খনবা তঙাইফদে হায়নখিবদু। অহানবা ফেজগী ওইনা মণিপুরগী ভোটতা এ সী ৩৮গী মীহুৎ খন্নবা মীরেপ ১৭৩না লম্বা তৌনখিবদা করম্বা অফবা কেন্দিদেট খল্লক্কনি হায়বদুদি মার্চকী তারিখ ১০গী মতুংদদি শোয়দনা খঙলগনি।

অসিগুম্বা তেনখ্রবা পুন্সি মপোক অসিদা ভোটকীদমক থৱায় থাজরবসু য়ারে হায়না কোয়চেন চেন্নরিবা ময়াম অসিগী খল্লুবদা ৱাখল অসি মিপাইরকই। হিংবা অসি পামজদবা মী য়াওরব্রা করিনো ঙক য়োল্লগা চাগে, হিংগে খনবা মীওই ফাওবা থোরল্লব্রা খল্লি। পূম্নমক অসি করিদা তারকই, শেলদা হেক মতারকই। ভোটকীদমক কোয়চেন চেন্নরিবশিং অয়াম্বনা মখোয়না সপোর্ট তৌবা কেন্দিদেট অদুনা ভোট কারবা মতুংদা ওইজ ওইথক খরা ফংলনি, ৱানোম চৎনোম তৌদুনা এম এল এ, মন্ত্রি ওইরিঙৈ মতমদা হিংবদা কোম্না হিংগনি খন্নবনা অয়াম্বা ওইরমগনি। মণিপুরদা হিংলিবা অয়াম্বা মীওইশিং অদুক্কী মতিক ৱারে। ইনাক কৈরাক খুনবা, হিংবদা কোম্না হিংবা, ৱাত্ত-পাদবা কাঙবুদি খরতনি। মরম অদুনা হিংনবা হোৎনবদা শিবা কিনরক্তে। ঙরাংতা লোইশিনখিবা জেনরেল ইলেক্সনদা শেল চাউনা চাউনা য়েন্নখিবগী পাউ তানখি। ভোটর অমদা য়ামদ্রবদা লুপা লিশীং ৩দগীনা মঙা ফাওবগী চাংদা য়েন্নরে হায়নখি। মফম খরদদি লুপা লিশীং ৮দগীনা ১০ ফাওবা য়ৌখি হায়না পাউদম্নরকই। ঐখোয়না খঙলকপদদি ভোটতা শেল য়েনবা, লৌবগী ৱাসি তান্নরমদে। কুমজা ১৯৮০গী মতুংদগীদি খরা খরা হৌনরকখিবা মাল্লি। মদুসু চা গ্লাস অমা করি 'মা থকমিন্নবা অদুগী মতুংদা ক্বা মতপ অমদা লুপা ৫ চৎপী/১০ চৎপী য়োল্লগা পীনরকপগী পাউ তানরকখি। মতমদুগী লুপা ৫ হায়রেদনা হৌজিক্কী লুপা ৫০০গা ভেল্যু মান্নরগনি। চেঙ-চাক হোঙলিঙৈগী ৱানি। মীয়াম খন্ন-নৈনবা মতমদা হায়নৈ ঐখোয়গী হক, চহী ৫গী হক লুপা খরদা য়োনগুমসি। অদুবু ৱাদদি ফজনবা হায়নরিবা হায়বদুনি ভোট থাদরমদাই নোংমা নীনিতা ঙাইরবা মতমদদি শেলতনা মণিপুরগী মফম অয়াম্বদা চাইথোকখ্রে। অইবা ইশাগী এ সীদা ভোট লেপ্লিবা কেন্দিদেট খুদিংমক্কী শেল য়েননখিবগী পাউ তাবা ফংখি। করি অমুক হায়রুগনি শৈল পীদ্রবদি ভোট থাদরোই হায়বা মীওই ফাওবা থোরকখি।

হৌখিবা মমাঙগী ঐগী কলমদসু ইজখিবনি, শেল য়েনববু তৎলবা, ভোট তৎলি মণিপুরদা। মদুমক থোকখিবা এ সী য়াওখি। শেলদি লৌজরোই পীবীরমগনু থম্মোয় শেংনা ভোট পীজগেবা হায়বা ভোটরদি অতাঙবনি। ভোটকী মতম অসি য়াওশঙ কুম্মৈগুম্বনি। অদুনবু ইলেক্সন ফেষ্টিবেল হায়নরিবনি। ভোটকী মতম তাঙনা তাঙনা লাকপা অসিদা লৌথোকহৌরগে, চাথোকহৌরগে, নুংঙাইথোকহৌরগে মখোয়না হয়েং ভোট কাখ্রগা করিসু তৌবীরক্কদবা নত্তে খন্নবসু কোঙ্গাইনি। শেল য়েনবা লাকপদা লৌহৌদ্রবদি কেন্দিদেট অদুদা ভোট পীররোই হায়বা খনখিনি খনবদগী লৌহৌদবসু য়াদবা নত্তে। মরূ ওইনা শেলদা পুমঙাও ঙাওনরিবসিগী মরমদি লৈত-লায়রবা মীশিংনা হেনবননি হায়না লৌবসু য়াই। মরমদি চানিংঙাই থক্লিংঙাইগী অৱাবা, শেন্থোক লম্বী লৈতবনা মরম ওইরগা মচা মশুশিং লাইরিক লাইশু তম্বগী অৱাববু ওইরো নুংতিগী হিংবদা চঙলিবা পোৎলমশিং লৈতবগী অৱাবা, য়েংলু য়েংলুবা খুদিংমক্তা মায়কৈ মায়কৈ খুদিংমক্তা অৱাৎপগী অৱাৎপা মক্তনি। মরম অসিনা ভোটকী শেল য়েনবা, লৌবগা, পান্থে লৈতবা লায়র অনংগা মরী য়াম্না লৈনৈ হায়বা তাই।

মায়কৈ অমরোমদা অমুক লুপা ক্রোর ক্রোর চাইখাইদুনা ভোট কাখিবা কেন্দিদেট অদুনা মীয়ামগীদমক কৎথোরকখিনি, পার্সেন্টেজ চারোই, শেল চারোই হায়বা অসিদি থাজবগী ৱাংমদনি। অদুক য়াম্না শেল চঙনা ভোট কাখ্রগা লেম্না তোকপা হৌনদে। চঙখিবা শেল কোৎ-খৎনবা হোৎনরকপা তাবনি। মদুদা ভোটকী মতমদা শেল লৌখিবা ভোটরশিংনা ৱাকৎলুরবসু কান্নররোই। তৌবতবু শেল চঙনা ভোট কাখ্রবসু মীয়ামগীদমক খল্লগা থৌগল তৌবী ওইরগদি মহাক্তুবু মীয়াম্না শোয়দনা শক্লা শোন্নহৌগনি। তেনখ্রবা মীওইবগী পুন্সি খোঙচৎ অসি অসুক্কী মতিক মমল য়াম্মী। মীয়ামগীদমক থম্মোয় শেংনা থৌগল তৌবা ঙম্বা ওইবীয়ু, অসিখক্তনি হায়জনীংবা! ●

# ঈনাৎলা, মীনাৎলা য়োকখৎকদবসি ! - ৫৮

**ৱাখল ইহুল**

**সোরাম ইবোহল লুৱাং**

সঙাই এক্সপ্রেসতনা-

মোহন ভগৱতকী ৱাফম কন্দেম তৌরক্লি : য়ুনাইটেদ ফ্রন্ট, মণিপুর

তাং ৮/২/২০২২ : হুইয়েন লানপাউদা-

আর এস এসকী লুচিংবশিংনা মহাভারতকা কংলৈপাক মণিপুরগা মরী শমজিন্ননবা হন্না হন্না হোৎনরকপসি মীয়াম্না তূমিন্না লৈফম থোক্তে : য়ু এন এ সী এম য়ু।

হন্দক্কী ফোং ফোং শারিবা ৱাথোকসিগী মমাঙদসু ইরমদম কংলৈপাক/মণিপুরগী ওইবা থৌরম অমা হেক পাঙথোকপদা - কংলা লাইফমলেন্দা কংলৈ পাফল ফিরাল চিংখৎপদা; নুপীলাল কমপ্লেক্সতা পাঙথোকপা নুপীলালগী থৌরমদা - মতম অমদা মীরম ওইরম্বা ইন্দিয়াগী লুচিংবা নুপাশিং অমদি নুপীশিংগী মমিশিং (ফোটোশিং) থমজিল্লগা লমদমসিগী হৌখ্রবা পুৱারীগা ইন্দিয়াগী পুৱারীগা মরী লৈনহন্নবা থৌরাংলকপগী ৱাথোক কয়া লৈখ্রে। লমদমসিগী মীয়ামগী অকনবা ঈহৌদগী শেংদোক্তবা য়াদবদগী শেংদোকপগী ইকায় খঙদবা থৌদোক কয়া লমদমসিগী মীয়াম্না হেন্না খঙনখ্রবনি হায়না নীংশিংজরি। মরমদি তুংদসু মওং অমা নৎত্রগা অমদা ইকায় খঙদবগী থৌওং উৎলক্লোই হায়নীংঙাই লৈতে।

মমাঙথক্তা থোকখ্রবা থৌদোকশিংদগী খঙজিল্লবনিনা তুংগী মীরোলশিংগীদমক্তা চেকশিন থৌরাং ওইনা হন্দক আর এস এসকী চীফ ডা. মোহন ভগৱতনা লমদমসিগী পুৱারী খঙদনা ঙাঙলম্বসিদগী হৌরগা লাই ওইখ্রবা ইপা ইপুশিংনা হায়বিরম্বা 'শারিঙৈদা য়ৈহৌ' হায়বা লাইৱাসি থবক ওইনা ওন্থোক্লবা হোৎনবা ফগনি/চুমগনি হায়না খঞ্জে। মসিগীদমক্তা 'লমদমসিগী হৌরক্লোনগী ফজরবা পুৱারীগী চৎনরোলশিং খঙনা নুংশিবা/কত্থোকপা ঙম্বশিং, অরিবা মরী লৈনবা পুয়া-পুদিন লৈবগা লোয়ননা নৈনবশিং, মালেমগী থাক্তা ফাওনলোন ওইবা ইংলিস ফজনা ইবা ঙাঙবা ঙম্বগা লোয়ননা ইরমদম হৌরক্লোন, ৱাথোক ওইরিবা মতাংগা মরী লৈনবা পুয়া পুদিনসু মমুৎ তানা নৈনবশিং, তোয়না ইরমদমগী লাইনীং লিচৎ/লাইনীং লোন্দা লান্দাশন্নীংবা মীতোপ ফুরুপকী মরু ওইবা লাইনীং লিচৎ/লাইনীং লোনগী মরমদা ইবা মীরমগী অরিবা লোন, খুদম ওইনা - সংস্কৃটনচিংবা চৎনবা য়ানা খঙবা অদুবু ইনাৎকী অশেংবা মখল খুদিংমকপুদি পাম্না ঙাক্লা চৎলিবা মীশকশিং পূন্না কোক চুংশিন্নরগা - কংলৈপাকসি করম্না করম্বা মৈদিংঙু/নিংথৌগী মতমদগী মণিপুর হায়না মিং ওল্লগা কৌরকখি অমদি অর্য়ান হিন্দুগী মহাভারতকী মণিপুর হায়বদুগা হীরম অমত্তদা মরী লৈনদে হায়বসি ইন্দিয়া মনুংদা মমুৎ তানা খঙহনবা ঙম্নবা ইংলিস, হিন্দি অমসুং ইন্দিয়াগী অচৌবা ষ্টেট খরগী মমালোনশিংদা ইবদা নত্তনা মালেমগী থাক্তা হিন্দুগী ৱাখল্লোন অমদি লাইনীং লিচৎ পামজবা লৈবাক খরগী লোলদসু ইদুনা/হন্দোক্তুনা খঙহন্নবগী অচৌবা খুদোংচাবা অমা পীরবনা হন্দক্কী অশেংবা ফোং ফোং শারিবা খুদোংচাবা পীবা মতাংসি/তাঞ্জাসিদা মথক্তা পনখিবা কংলৈচাশিংগী ওইবা অপূনবা খোঙথাং/এক্সন প্লান অমা ওইহৌনবা কন্সলটেটিভ দ্রাফটিং কম্মিটি অমা শেম্বা চুমগনি/ফগনি খঞ্জে।''

করিগী মথক্কী কম্মিটিসি শেমসি হায়না হৌদোকচবগী মরম/পান্দমদি ঙাইহাক লৈতনা লাইনীং লিচৎ অমদি লাইনীংলোন মান্নদবা ফুরুপ অমগী মীওইশিংনা অতম্লনা মখোয়গী পুৱারীদা চিংশিন্নবা হোৎনরকপসি থিংনবগীদমক্তনি। শেমজিন শাজিনবনা তুং কোইনা চৎপা য়ারোই, অচুম্বনা শোয়দনা মায় পাকই হায়বসি মালেমদা খঙহন্নবগী খোঙথাং লৌখৎহৌসি হায়বগীদমক্তনি। শম্না হায়রবদা, মালেমদা ইরমদমগী ওইবা তোমথিন নায়বা হৌরক্লোনগী অশেংবা শক্তম হৌজিক ময়োল লৈঙাক্লা য়ুনিক আইদেন্টিফিকেসন হায়বদু তৌনীংবগী অপাম্বদুদা লাইনীং অমনা অতোপ্পা লাইনীং অমদা খূৎ থিংজিন্নদনা মশা মশাগী য়ুনিক ওইবা (অশেংবা তোপ তোপ্পা মশক) লিচৎতু মাঙহন্দনা অপূনবগী শক্তম শাগৎপদা অকায়বা করিসু ওইফম থোক্লোই হায়না থমজগে। শেরান্নবা/শেমজিন শাজিনবা পুৱারী, মদুসু মখোয়গী ওইবা মওংদা, অতোপ্পগী অশেংবা পুৱারীবুনা অরানবা তাহন্নবা নাথৈদুনা থম্নবা হোৎনরকপা মতমদুতনি মুক্লবা ফীভম থোরক্কদৌরিবসি। ফজনা য়াননা অচুম্বদু করিনো খঙমিন্নসি হায়বদা শিখাং খাংদুনা লৈশিল্লগা খুজ্রু মুজ্রুদা নমশিন্নবা হোৎনরল্লবদি অকোনবদা লৈঙাক্লা লিংবা ৱায়েলশঙ ফাওবা য়ৌনরকপা হায়বসি মহৌশানি। মৈরিকপীদগী মৈজাওবী ওনবগী ফীভম ওইরল্লবদি ইপিকনি হায়নরিবা হিন্দুগী অশেংবা লাইরিক মহাভারতকীদা করি অশেংবা য়াওরিবা হায়বদু নৈনরক্তবা য়ারোই।

নাকল অমরোমদা অমুক, কংলৈ/কংলৈপাক, মসিগী মমাঙদা তোঙান তোঙানবা/মান্নবা মমিংশিং কৌরম্লবা ইরমদমসিবু কোন্নসু/মরক্তসু য়ূমথংনবা লৈবাক কয়াগী মীওইশিংনা কৌনীং কৌনীংবা/থোন্নিংবা মমিংশিং থোল্লবসু মণিপুর হায়না ইকোন কোন্না ১৮শুবা চহীচা হৌগৎলকপদা থোনখিবা মমিংসিগী মতাংদা ঙসিসু য়েৎনদুনা লৈরিবা অমনি হায়বা য়াই। মণিপুর হায়বা মমিংসি হায়বা নুংঙাইবগা লোয়ননা লায়নসু হায়বা য়াবা মিং অমনি। হিন্দুগী লুচিংবা কয়ানা মণিপুর হায়বা মমিংসি য়াম্না তোয়না মহাভারতকা মরী লৈননা হায়বসিমক্তা য়েৎনদুনা লৈরিবা মমিং অমনি হায়রিবনি। ●

### হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৩৬কী পাউখুম

১) ***''পত্তুস্মাগী হামেঙ''*** হায়বা মণিপুরীদা হন্দোক্লবা লাইরিক অসি ওরিজিনেল অদুগী অইবা কনানো অমসুং মণিপুরীদা কনানা হন্দোকপনো?
***:- ওরিজিনেল অইবা - বৈকোম মুহম্মদ বশীর; মণিপুরীদা হন্দোকপা - বি এস রাজকুমার (অহানবা ফোঙবা, ২০০৭)***

২) **''মফম খঙদনা/মাঙখ্রবা/ঐগী ইমি,/হায়য়ু/কনানা করম্না মূত্থৎখিবনো নঙবু/ঐগী লৈমায়দগী।''** শৈরেং মতেক অসি শক্লাইরবা কবি অমগী শৈরেংদগী লৌথোকপনি। কবি অসি কনানো, মহাক্কী করি লাইরিক্তা য়াওবা করম্বা শৈরেংদগী লৌথোরকপনো? ***:- কবি - রা:কু: ভুবনস্না; য়াওরিবা লাইরিক - শজিবুগী মৈরী; লৌথোরক্লিবা শৈরেং - মাঙখ্রবা ইমি (লা:৩)। অহানবা ফোঙবা দিসেম্বর ২০১০।***

৩) মপান মণিপুরগী অইবা অমনা ইবা লমকোয় ৱারীগী লাইরিকনি **''মালেমদা তোমথীল ঙাল্লিবী বাহরেন''** হায়বসি। অইবসি কনানো? ***:- অইবা - য়েংখোম কে বি; অহানবা ফোঙবা কুমজা ২০১০, নবেম্বর ২৮ (নোংমাইজিং)।***

৪) ১৯৬৭ ইংদা অহানবা ফোঙখিবা লাইরিকনি **''নোংদম''** হায়বসি। লাইরিক অসিগী অইবা কনানো অমসুং করম্বা মখলগী লাইরিকনো? ***:- অইবা - শ্রী অরিবম মহেন্দ্র শর্ম্মা; লাইরিক্কী মখল - দ্রামানি। (অহানবদা 'বিজয় প্রভা' অদুগা মতুংদা 'নোংদম' হায়না মিংথোন্দুনা লাল মমাঙ অমসুং মতুংদা মায় পাক্লা শান্নখিবা দ্রামানি।***

৫) ***''মশাবী লাইরেন ঙাংঙোই য়োইমোংবনা মশানৌদা পাওমেলঙামএ। ইশানৌ য়োইহৈতোন তাওথিংমাংও, নহান নোং ইপল পলেম ইমা নোংমোইনু অহোংবীনা তুশারমপপু লৈএ। শানৌ ইচিল ইনাওতি মোংবা অমরক তুতেংহৌসে।''*** ৱাহৈ পরেং খরসি কদায়দগী লৌথোরকপনো?
***:- লৌথোরকফম লাইরিক - তুতেংলোন (তুদেংলোন); (শ্রী নোংমাইথেম মনাওয়াইমা সিংহ; অহানবা ফোঙবা, মার্চ ২৪, ১৯৮০ ইং)।***

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্না মরী লৈনদে।